# লাইনা শেম্লম্বা ওইরসু মীগী খূৎশেম ওইরসু অমাঙ-অতা থোকহনবা চৎন-কাঙলোন্দি মরূ ফংনা মাঙহনবা য়াই

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

তাইবঙ মীসে শক-চু খেন্নৈ, ৱাখল লৌশিংসু তোঙান-তোঙাল্লি। অদুবু হিংমিন্নদবদি য়াদে। মদুননি ইনফদ্রবা চৎন-কাঙলোন কয়া শেম্লম্বগী মরমসু। কোক থাদরগা শেম্বা কাঙলোনশিং অদু অরেম্বা তাহন্দনা মীপূম খুদিংমক্কা কিনা লুনা লৌননবা শকউদবা মপূ মানা শেম্বনি থাজ হল্লি। থবক থৌরম অয়াম্বা মহাক্কা মরী লৈনহল্লি। কাঙলোন থুগায়বশিংদো তাইবঙ মপূ চীংঙু খোয়ুম মহাক্কী চৈরাক ফংগনি কিনৈ। ৱাখল মনীং তম্নীংগনবা মীওইবনি। থোকহন্নীংদবা কয়া থোক্তনবা অচাইবা ৱাখল অমদি তমথীবা মচৎশিংবু লাকশিন্নবা চৎন-কাঙলোন খরা শেমদুনা ফাজিন-পুনশিনবা হায়বসি মশানা তাবনি। মসিদি ঈং-তপ্পা চাওখৎপা খুন্নাই অমা শেমগৎনবগীদমক তঙাইফদবা থৌশিলনি। কাঙলোন অদুবু ইনবা ইন্দবা থুগায়বা হায়বদুনা মতমগী খোঙলৈদা লাকখিবা অহোংবা মচৎনি। মীনা শেম্বনি, মীনা শেমদোকপা চৎনহন্দবা য়াই। লাইনদি কৈদৌনুংদসু অপনবা পীরক্লোই। লুরিবদি শাথীগনখ্রবা মীওইবনি।

চৎন-কাঙলোন্নি হায়রসু শাথী-শাথীরবা ময়াম অমা শেম্লম্বগী ৱাফম পুৱারীনা ঐখোয়দা পাউদমদুনা লাক্লি। লাইনীং-লিচৎকী থৌরমশিংদসু কির-কিরবা থৌওং থৌচৎ ময়াম অমা লৈরম্মী। ইন্দিয়াগী ওইনা য়েংলগসু তু চুংলবা থৌদৌনি, লাইনা পেন্নবনি হায়দুনা তাইবঙ মীওইববু শরেন চল্লম্বগী ৱাফম থেংনৈ। কালি লাইরেম্বী লাৎপগী মিংদা লম্বীগী অচৎ-অওকশিংদগী শেল-থুম, পোৎ-চৈ মুনবীবা, ফূবা-চৈবা, হাৎপা-তুপ্পা তৌবদা অথিংবা থল্লমদে। মরাল লৈবশিংবু ফাবা-পূনবা তৌরমদে। মপুরোইবা শিবদা মাগী তালোয়সু হিংনা-হিংনা মৈনুংদা চোংশিল্লিবনি। চোংশিন্নীংদ্রবসু নম্ফুদা লংশিনবগী মচৎ লৈরম্মী। অঙাং পিশক-পিশকপু লুহোংথোকপীবসু কোঙ্গায়নি। অসিগুম্লবা অমাঙ-অতাগী মশক ওইরবা তমথীরবা চৎনরোল কয়াসে ফত্তে খঙনরকপগা লোয়ননা রাজা রাম মোহন রোইগুম্বা কয়াগী ঈহৌনা মরম ওইরগা তপ্না-তপ্না মাঙহল্লকখি। লোনা য়াদবা চৈরাক ফংগদবা থৌওংনি হায়না লাউথোরকখিবদুনি। মসিনসু লোইবা নত্তে মীগী মী চপ মান্নবদা শোক্ল-শম্লবা য়াবা-য়াদবা হায়না খায়দোক্লম্বা ৱাখল্লোন্দু ঙসিদি মাঙখ্রবনি।

ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুরদসু অদু মঙায় শাথীরবা অকি তুজুংলবা মচৎ মওং থৌদৌ কয়া লৈরম্বগী খুদম থেংনৈ। চীংঙু খোয়ুম মহাক্না পেনবীনবা তাইবঙ মী শরেন চল্লম্মী হায়বগী থাজবা লৈ। মতম অমদা য়াম্না কন্না ঙাঙনরম্বা ৱাফম অমা লৈখি মদুদি তুরেল মথক্তা থোং অচৌবা শাবদা মী হাপ্পী। মদুগীদমক অঙাং ফাননবা চুরাম্থাবা থাদোকই হায়নৈ। চীনহায় ওইগেরা, অচুম্বা ওইগেরা পাউনিনখোন খুদিংমক্কী হৌরকফম মরূ হেক্তমক লৈগল্লি। অদুবু পূম্নমক্তু ঙসিদি মমি শামখ্রে। লাই-তীলগী থৌরমদা ওক শরেন চনবা কাঙলূপসু অদুম্মক মরৈরি। লোই, য়াইথিবী কাঙলূপশিংবু অমাঙবনি হায়দুনা শোক্না-শম্লবা চারৌ-মৌরৌনবা, চামিন থকমিন্নবা য়ারমদে। মসিগা মরী লৈনবা নুংঙাইরবা থৌদোক অমা ককচীংদা থোকখিবগী ৱারী ৱাখোঙ অহল-লমনশিংনা থম্বীরম্মী। লৈবাক নিংথৌ পাল্লিভৈ মতমদনি, পুখ্রম্বম তোম্বনচিংবা অহল-লমনশিংনা য়াইথীবী শেংদোকপগী ঈহৌ অমা শাগৎখি। য়াইথিবীনা থোংবা চাক চারুবগীদমক চৈরাপ কোর্ট য়ৌনখি। য়াইথীবী মখূৎ চায় হায়বসি অচুম্বরা হংবদা **“য়াইথীবী মখূত্তি চাখিদে, মখূৎনা থোংবা চাক এঞ্জাং চাবনি”** অসুম্না পাউখুম পীখি। থাজবী চৎনবীখক্কী নত্তে, লৈঙাক্কী চৎন-পথাপ ওইনা শেমদুনা চৎনরল্লিবনি। মদুবু থৌশাদবা মীওইশিংদি নিংথৌ ব্রহ্মসভা রতনগী মখাদা চৈরাক ফংখিবনি। পূম্নমক অসিনা মরম ওইরগা মণিপুরদা হিংনা-হিংনা অশিবগা পাঞ্জক ওইখিবা মীওই লিশীং লিশীংনি। অদুবু অখঙ-অহে কয়াগী মপান্না ঙসিদি পূম্নমক্তু মূৎখ্রে হায়বা য়াই। ঙসিগী মীরোলনা তাবদা অঙকপা ৱারী ওইরে।

তাইবঙ মীওইবদি থম্বু থমখো লম্লক্কী শা-উচেক ফাওবা হাৎপা, ফাবা অথিংবা থল্লবা মতমনি। থায়না মমাঙভৈদদি লাইশা তানবা হায়দুনা লৈবাক নিংথৌনা লুচিংলগা অঙম-অথৌ অমদি মীয়াম য়াওনা উমংদা শারম চামথিবা চৎনরম্মী। করি অমুক হায়গনি শা হোঙবা কুম্মৈ পাঙথোক্লরম্মী। নিংথৌরোল কয়াগী হাক্তক্তা শা তানবগী থৌরম পাঙথোক্লম্বগী ৱাফম মরাং কায়না ফংই। মোইরাং কংলৈরোনগী খম্বা-থোইবী ৱারীদসু শারম-ঙারম কত্তুনা ঈরাৎ থৌনি পাঙথোক্লবগীদমক শা তানবা চৎপগী ৱাফম কেগে চৈরাপ্তা মোইরাং নিংথৌ অমদি চীঙ্খুবা, চাউবা, থোংলেন্নচিংবা অঙম-অথৌ ময়াম তিন্দুনা খন্নৈ। চীঙ্খুবনা লুচিংদুনা অঙম-অথৌ ময়াম, ফৈরোইজাম্বা অমদি খম্বা-নোংবান অনীমক য়াওনা ঈরাৎ-থৌনি পাঙথোক্লবগীদমক শা তানবা চৎখি। মণিপুরদা পানখিবা নিংথৌ কয়াগী হাক্তক্তা কৈ, কবোকৈনচিংবা লমলক্কী শা ফাখিবা অমদি হাৎখিবগী থৌদোক কয়া লৈখি। অকন-অথৌ শকপা মিংচৎ তানবা অমদি লেমজনফম ওইবা থৌওংনি হায়না খন্নরল্লিবনি। অদুবু অদুগুম্লবা মচৎ অদু অচুম্বা নত্তে হায়বসি খঙনরকপদগী শা-উচেক কাপ্পা, হাৎপা, ফাবা পুমথিং থিংলে হায়বা য়াই। হূই হাৎপসু লোনা য়াদবা ক্রাইম অমা ওইরক্লিবসিনি। অসুম্না খুন্নাইরোল লৈঙাক্লোন লাইনীং-লাইচৎকী হীরমগা মরী লৈনবা চৎনবী-থাজনবী চৎন-পথাপ কয়াসু অদুম্মক ককথোক-ককশিন শেমদোক-শেমজিন অদুম্মক তৌদুনা লাক্লিবসিনি।

লৈঙাক্কা কুকি খূৎলায় পায়বা খরগগী মরক্তা চহী খরা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন চৎনদুনা লাক্লি। চৎনরকপদুদা কনানসু অথিংবা পীদে, মদু লৈঙাক্কী থৌশিলনি। অদুবু লাইবক থীবদি মপান্দগী চঙলকপা নার্কো টেররিষ্ট খরনা মদুগী খুদোংচাবদু লৌদুনা মীচম মীয়ামদা চৈবী-চৈথেং পীরি। থা তরেৎ ফাজিল্লক্কদৌরে, চরাং-খোইরাংননা লেল্লক্লিবসি। সূগী লীপূন্না খোঙখূৎ অনীমক ক্রক-ক্রক ফাজিনখিবনা মণিপুর লৈঙাকসু ইন্দিয়ান ফোর্সসু পাঙ্গল থোকপা ইঙম ঙমদনা লৈরি। থাঙ্গৈশেংনমক হায়রবদা সূদা লৈরিবা কয়ানা মনীং তম্না নোংমৈ কাপ্লি। মসি লেপহনবা মীৎকুপ্তা ঈং-তপ্পা হায়বদু মশানা অদুম্মক লাকচরদৌনি। অদুবু সূ লৈরিমখৈদি ওইথোক্কনি থাজদে। সূগী মখাদা লৈরিবা কাঙবুনা মাগী-মাগী লৈফমদগী হাইদোক্লগা কোয়চৎ চৎলু, মী হাৎলু, ফাও হায়বসিমদি সূনা শুংয়া য়াদবা থৌওংনি। অদুবু য়ানখিবা কাঙলোনশিং অদু থুগায়রি। ঐখোয়না হায়রিবসি মখোয়বু হাত্তোকপীয়ু হায়বা নত্তে, ফাজিন-পুনশিল্লু, লাকশিল্লু হায়বনি। মসি ঙল্লোই হায়রগা সূ হায়বদু লাক্তুনা লংখো হায়নরক্লবনি। লৈবাক কায়হনবা মীয়ামগী পূন্সি মহিংদা অকায়-অতোয় থোকহনবদা মতেং ওইরক্লবদি সূদো লৌথোকখিবদা মীনসু, লাইনসু হরাউগনি। তঙাই ফদ্রবদি সূদি থম্বু থমখো। ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ফাওবা শেমদোক শেমজিন তৌরিবসিনি। ●

# পোক্লবদি হিংলে, হিংলবদি হিংঙু, মীয়ামগীসু হিংলম্মু

- য়েংখোম মোধুচন্দ্র -

ওইয়ু অফবা মী অমা, নুপা ওইরবসু, নুপী ওইরবসু। অফবা, থম্মোয় শেংবা, অচুম্বা চৎপা, থৌনা ফনা হিংলম্মু, লৈবাক মীয়ামগীসু ওইনা মীয়াম্না য়াবা হায়বসি ঈশ্বরনসু য়াই হায়নবনি। লৈবাক্কী ৱাথোক থৌদোক, শা-লানগী অরুবা ফীভমদা লাক্লবদি, মীয়ামগা খন্নরগা, থৌনা ফনা চোংথোক্তুনা লুচিংবা ওইয়ু। শিবা তারবসু মীয়ামগী, হিংবা ওইরবসু মীয়ামগী, মদুদা নশা নথন্তা ঐনা তৌবা থবক মায় পাক্লে, ঐ থৌনা ফবা মীনি হায়দুনা লাউগনু। লৈবাক মীয়াম্না হায়হল্লু। মহাক অসে অফবা (মীনি) মীশক্লি। নহাক্কী পূন্সিগী ৱারী খুদিংমক পুৱারীদা ইদুনা লৈহৌগনি। তুংদা লাকপা মীরোলশিংনা শোন্নগনি নহাক্কী ফিদম লৌনগনি। ফত্তবা হায়বা পোৎ নৎত্রগা মী ওইরবসু খুদিংমক ফত্তবনি। মীগী অফবা উরগা পামগনি, কল্লক্কনি। মাঙনবা হোৎনরক্কনি, মীগী অমাঙবা, অৱাবা উরগা হরাওগনি, নোক্কনি। মীওইবা ঐখোয়সে ইশানা ইশাবু ফত্তে হায়নীংদে। মীওইবা ঐখোয় খুদিংমক লল্লোনবনি, করবারৱালানি। মশাগী ওইজবা ফংনবা অরানবা ৱাহৈ-ৱাতা কয়া শীজিন্নৈ। অরানবা ৱাহৈ অমা চুমথোক্লবা হোৎনবদা, নাকোইননা ওইদবা ৱাহৈ ৫/১০ শীজিন্নৈ। মশাগী পূন্সি তঙ্খাই অমা চুমথোক-চুমশিন তৌরিভৈদা মীয়ামসু মাঙলে, মশাসু মাঙলে। মপূন্সিদা অফবা থবক তৌবা ঙমদনা অদুম লোইখিনি, ফত্তবা মীগী মতৌদি তুংদা লাকপা মীরোন্না তম্লরোই। শোনসু শোন্নরোই, ঐনা মহেল্লে খনবা, ঐঙোন্দগী হেনবা লৈবনি। ঐনা তোল্লে খল্লবসু ঐঙোন্দগী হেন্না তোনবা লৈবনি।

মীওই অমনা, ঐদি মীগী মতেং য়াওদনা ইতোমতা হিংজগনি হায়রবা (ৱাখলদা খল্লবা) খুদক্তা অরানবা ওইরে, মালেমসিদা মীয়ামগী মতেং য়াওদনা মথন্তা হিংবা ঙম্বা মীওই অমা ফাওবা লৈতে। নশানা হিংবদা চংলিবা পোৎশক খুদিংমক মীয়ামগী মতেং লৌরিবনি। মালেমগী লৈবাক (কন্ত্রি) কয়াদা খোংজাইশিংসি মচোই-মচোইনা খরা খরদি অদুম লৈ। মখোয়না লৈরিবা মফমদুগী মীওইশিংগা ঙাঙন-শক্লবা কয়া য়াগন্দে। খোংজাইগী লৈতোন শেংদবা, মীনম্বা ৱা ঙাঙবা শকপা হৈবা, মীগী মপোৎ হুরানবা, মীগী য়ূম-কৈ মৈ থাবা, মাঙহন-তাকহনবা, মী অমগা মী অমগা খৎন-চৈনহনবা, ঙাঙনীংবতা ঙাঙবা, তৌনীংবতা তৌবা থবক, মমা-মচা, মচে-মচল, নুপী-নহাশিংদা কাঙলোন নাইদবা জঙ্গলগী শারমচৎকী মওং-মতৌদু য়ানীংদবদগী খোংজাইশিংনা লৈরুবা লৈবাকশিংদগী তাম্থোক্লকপনি। অসাম, বাংলাদেশ, বর্ম্মাদগী লৈতক্লনা তাম্থোক্লকপনি।

ইপা ইপুশিংনা ৱারী লীবিরম্বনি। কুমজা, তারিখ অকক্লবা পল্লমদে। বৃটিশনা লৈঙাক পায়বা মতমনি। মতমদুদা খোংজাই লৈবা মফম খুদিং লালহৌবগী থবকসি অদুম তৌই হায়। খোংজাইগীতা ওইবা ষ্টেট লৈতে। বৃটিশনা খোংজাই লালহৌবশিংবু লাকশিল্লবা মতুংদা, নখোয়না লৈনীংবা, খুল ওইনা লৈবা পাম্বা মফম লৈরবদি হায়য়ু। ঐখোয়গা (বৃটিশকা) থেংনবদা, লাকশিনবদা শিখিবা য়ূম পুরবা নুপাশিংগী নুপী অঙাংশিংগী অমদি নখোয়গীসু য়ূম শাবীগনি অমদি য়ূম অমগী মীওই অমদি তোলোপ পীগনি হায়না হংবদা খোংজাইশিংনা মণিপুরগী চুড়াচান্দ মহারাজনা পানবা লমদা লৈজগে হায়বদগী হৌজিক-হৌজিক লৈরিবা চুড়াচান্দপুরসিনি হায়বীরম্মী। মতমদুদগী হৌনা চুড়াচান্দ মহারাজগী মনাই ওইনা থবক থৌরম কয়া য়াওরগা, মণিপুরগী চীং-তমগী লম্মীৎ-তুমিৎ লোইনা খঙদোক্লে। মখোয়গী (খোংজাইগী) লৈফম ফংলবনিনা, নোংমদি শোয়দনা খোংজাইতগী ওইবা ষ্টেট অমা শেম্বা য়ানবা, মণিপুর তম্পাক্কী অকোয়বদা লৈবা চীংখোঙ-চীংয়াদা খুল তাবা য়াবা মফম য়েংলগা, চীংগী নিংথৌ, খুল্লাকপদা হায়জরগা খুল তাখি। মতমদুগী চীংগী নিংথৌ, খুল্লাকপশিংদি মবুকচেল শেংই, মীনুংশি চাউই। হৌজিক-হৌজিক থোক্লিবা লানগী ৱাথোক, অসুক য়াম্না মবুকচেল ফৎলম্লোই খল্লুদবদগী লৈহল্লুবনি।

মতমদুদা কনা অমনা খোংশাই, কনা অমনা খোইচাই, কনা অমনা খোংজাই হায়নৈ। মণিপুরদা লৈফম ফংলবা মতমদা মখোয়গী অহলশিংনা খনখিবা ৱাখলশিংদু মচা-মশুশিংনা ৱাশক অমগা লোয়ননা লৈরকপনি। মণিপুর লৈঙাক্কী থবক তৌবা নুপা, নুপীশিংনা মীতৈশিংদা মচিন্দনা ৱাহৈ অমা, মীৎয়েংদনা অমা, মপূক্লিং, ৱাখলদনা অমা তৌদুনা মতম শাংনা মীতৈশিংদা কেকু লোৎপী শান্নবা হৌরে হায়দুনা মখোয়না কুকি কৌজবনি। মদুদগী হৌনা কুকি লালহৌবা শেমগৎখ্রবনি। ইম্ফাল জিরি লম্বীদা গাড়ীশিংদগী টেক্স লৌবা, লুট তৌবা, ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা টেক্স লৌবা, লুৎ তৌবা, মদুদগী খোমগৎপা শেলশিং, কুকিনা খুল তাবা চীংগী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা পোপি থারগা, মদুদগী ফংলকপা শেলশিংনা অফবা মখলগী নোংমৈ, বোম লৈশিল্লগা, চিন-কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংগা পুনশিন্দুনা মণিপুরদা মখোয়গী ষ্টেট মচা অমা শেমগনি খন্দুনা মীতৈগী মথক্তা মে ৩, ২০২৩দগী লান্দারক্লে।

মণিপুরসি ইন্দিয়াগী শরুক অমনিদি হায়রগা, থা ৭ হেল্লবা লান লোইশিনবীদনা লৈহল্লিবা দবল ইঞ্জিনগী ৱাখল্লোন করিনো? দবল ইঞ্জিন লৈঙাক লাকপদগী থাও ক্যু লৈত্রে, ইকনমিক ব্লোকেদ লৈত্রে, চীং-তম নুংশিনরে হায়খি (লাউখি)। মে ৩দগী কুকিশিংনা কাংপোকপীদা ব্লোকেদ তৌখিবা থা কয়ানো, মণিপুরগী মীচম মীয়াম্না খঙই। তেংনৌপলদা কুকিনা ষ্টেট ফোর্স থৎলগা থমখি। দবল ইঞ্জিননা করি তৌবা ঙমখি মতমদুদা। য়ূমদা খোংবা কনবা হূইনা, লমহূই অমা উবদা, মমৈ মক্রাং লোনশিল্লগা ইমুংগী কাংথোল মখাদা কুন্দুনা লোৎলগা ঙ্রুং-ঙ্রুং ঙংবা হূইদি মরীল য়াওদ্রবা, অথৌবা হূই নত্তে। মীশি-মীনা, মী ফাখিবা, য়ূম-কৈ, লাইশঙ কয়া মৈ চাকহনখ্রে। অমিট শাহ লাক্লম্লে। পোলিটিকেল পার্টি কয়াগী এম পিশিং লাকপা উখ্রে। লোক সভা, পার্লিয়ামেন্ট ফাওবা য়ৌখ্রে। মে ৩দা মীতৈ নুপী অমদা রেপ চথুখিবগীনা করিসু খন্দবা, মে ৪দা কুকি নুপী অনীগী ফি থোংদবগীনা মালেম শীন থুংনা মীতৈশিংবু লান্না উহনবা, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, মণিপুরগী মীতৈ নুংশিবীদে তাকপনি।

চীংগী শরুক্কা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগী শরুক ওইখ্রগা, কুকিগী মরু ওইবা বঙ্করশিং হেন্না শাজিলহনবা, মরক-মরক্তা নোংমৈ কাপশিন্দুনা লৌমী, শিন্মী অশোক-অপন য়াওহনবা, মণিপুরগী বি জে পি লৈঙাকসিনসু মথৌনা ফূদোক্তুনা মীচম-মীয়ামগী পেন্নবা থবক অমত্তা পায়খৎপা ঙমদবা, নোংম-নোংমগী মীতৈশিংগী খোয়শাওনবা হেল্লক্তুনা নুং-পান ফাওনা চোংথোক্লকপা মতমদা, মীতৈশিংগী লানবীবা (বৈতা) ওইনবা থাজিল্লকপা লান্মী লিশীং ৫০/৬০নি। মে ৩দগী মমা ওইবী কয়ানা অহিং-নুংথিল নাইদনা মণিপুর কায়বা য়ারোই হায়দুনা মফম খুদিংমক্তা লৈরিবসি, খোল্লাও কয়া লাউরিবসি দবল ইঞ্জিনগী থৌওং য়ানীংদবদগীনি। মীচম-মীয়ামগী ঈহৌ খোঙচৎ, মহৈরোয়শিংগী ঈহৌ খোঙচৎ য়াওদনা, মতম-মতমদুদা পানখিবা লৈঙাকপশিংনা, মশানা হান্না খঙনা ষ্টেটকী ওইবা থবক মরু ওইবা লৈখি। ষ্টেটহুদ, ৮শুবা সেদ্যুল সিক্সথ্ সেদ্যুল, আই এল পিনচিংবা। আই এল পিগী ঈহৌ খোঙজংদা মহৈরোয় রোবিনহুদ শিখি।

হন্দক্তা হিজম লিম্থোইঙম্বী, ফিজম হেমঞ্জিৎ মহৈরোয় ২ কুকিনা হাৎখিবগী পেন্দবা ফোঙদোক্তুনা রেল্লি চৎপদা অশোক-অপন য়াওখিবদু হৌজিক-হৌজিক লানসিগী অহৌবগী দি জি পি মীতৈ মচা নত্তে। হৌজিক লৈরিবা দি জি পিসু মীতৈ মচা নত্তে। হোম পায়রিবসু মীতৈ মচা নত্তে। মীতৈশিং নমথনবা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী অরোনবা থৌরাংলিবদু মিত্রংগী লাংদা থুখ্রবা কৌজেংশিংনা করি তৌবা ঙমগনি। লায়রবা ইমুংদা পোকখিবা, মমা লুখ্রাবীনা য়োক্লকখিবা হিজম ইরাবত, মীয়াম্না লময়ানবা ইরাবত, লুচিং পুরেল ইরাবত, হীরম খুদিংমক মীৎয়েং শান্না উবা ঙম্বা মীশক্লি। ইমা লৈবাক মণিপুরবু, পুর্বাঞ্চল শেম্বগী মায়োক্তা লেপখি, মণিপুর মনীং তম্না লৈহনখি। ইরাবতকী থৌনা অদুগুম্বা মতমসিগী লৈঙাক পায়রিবশিংদা কনা য়াওরি। মশাগী ফমদগী লৈবাক মীয়ামগীনা লূম্না লৌদুনা পঞ্চায়েট মেম্বরগী ফম থাদোকখি। ইরাবতনা তৌখিবা থবক থৌরমশিংনা জন নেতা মিংথোল ফংখিবনি। ইরাবতকী মতুংদগী মণিপুরদা পানখিবা লৈঙাক পায়খিবশিংদা মিংথোল ফংখিবা কনা য়াওখিব্রা?

মরৈবাক নুংশিজবা মীশক অমবু পোক্লফম মণিপুরদা চঙবা য়াহন্দনা মীরোৎ ওইহনখিবা, অৱা (বর্ম্মা) গী তাংবো খুলগী চিদাইদা মল্লবা খাংপোক্লুংদা চিন্তা পোৎলূম্না মোনখাং ওইদুনা পূন্সি লোমখি। থোক্লিবা লানসি, হিজম ইরাবতনা লৈঙাক অসিগী লুচিংবা ওইরম্লবদি শুংথোক থোক্লম্লোই। লানসিগী ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদনা শাংদোক্লিবমখৈ মীয়ামগী খোয়শাওনবা হেল্লক্কনি। শাওনীংবনা হেনখ্রবদি ৱাঙাঙ শঙাঙদা ফজদবা য়াওরক্কনি। মখোয়না অদু হায়, অদা তৌই, হায়-হায়দে শেংদোক-শেংজিন তৌনরিভৈদা এম এল এ অমগী চহী ৫গী টর্ম লোইখ্রনি। মণিপুরবু মচেৎ তানা শেগায়গে তৌরক্লিবা কুকিগী এম এল এ ১০দা গেলেন্ত্রি এৱার্দ পীরমগদ্রা? খৃষ্টিয়ান লাইনীং চৎপশিংনা পায়রিবা বাইবলশিংগা, খৃষ্টিয়ান লায়নীং চৎলিবা কুকিশিংনা পায়রিবা বাইবলগা করিদা খেন্নবা লৈবগে। কুকিগী বাইবলদা মীগী মপোৎ হুরাল্লু, মীনা লৈবা য়ূম কৈ মৈ থাদোকউ, মীগী নুপীদা নত্তবা লীচৎ চৎলু, শারমচৎ চৎপনা মহয় চাউনা ফংবগী য়াওব্রা?

লোয়ননা য়েলহৌমীসু নত্তবা চিন-কুকি নার্কো টেররিষ্টশিং নখোয়না মণিপুরদগী লম মচেৎ অমা শেৎকনি খল্লিবা মঙলান্দু মঙফাওনরোই। খূৎতুম্না শুদুনা, খোঙপাক্লা কাউ-কাউদুনা তান্দ্রিভৈদা, নপা-নপুগী হৌরকফম জঙ্গলগী উমংদুদা চেনজহৌ। হাদা কুকি কৈওইবা, লোকল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দ, থিকা পাম্বী থারুবা, নার্কো টেররিষ্টকী লান্দা মরেক তারেদো, ৱানোম শারেং পান্দ্রেদো। কহা মাঙ খুজাই কায়, ননীং নমাং হোত্রোং হো। উমংয়াম্থৎলুবা শিংজঙনা নখোঙদা অমুক য়ানশিনজরো, উজাও মৈ থারুবা, নথম্মোয়দা মৈশা ফংজরো, মী অপঙবা লান ওইনৈ, উ অকংবা শিং ওইনৈ কাউগনুও। অরানবনা থুবনি, অচুম্বনা তপ্পনি। মচা মশু কয়াগী য়াইফনবতা খন্দুনা, মে ৩দগী চথুরক্লিবা কুকিগী লানসিগী মায়োক্তা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বী, মমা ওইবী কয়াগী লুচিংবী ওইরম্বী লোংজম মেমচৌবীনা লৈখিদবদা নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি। ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি। লানসিগী পোলোই ফাওবদং লৈরম্লবদি কয়াদা নুংঙাইজগদবনো ইমা। ●

# কুকি লান, লায়নারা - লাইমনলা?

- বি সী খুমন -

কোক শীজিন্নবা হৈত্রিবা কুকি-জৌ মিলিটেন্টশিংগী অরোনবা মাষ্টর প্লান মপূং ফাখিদবনা মরম ওইদুনা কুইর-কুইরগা লৈখা সুম তারক্লিবা মে ৩দগী হৌরকখিবা ‘সদন ৱার এগেনষ্ট মীতৈ/মৈতৈ’ অসিনা মরম ওইদুনা মণিপুরদা নুংতিগী ফোঙলিবা পাউচেশিংগী কলমনিষ্টশিং, লিটরেচরগা মরী লৈনবা ইকায়খুম্নরবা অইবশিং লোয়ননা সী এস ওগী মাইন্দ সেটতা ফূরুপ্পু নুংশিজবগী ইথিলনা মাঙওইনমনখিবনা লানগী ৱাখল্লোন নত্তনা ফজবা আইদিয়া অমত্তা থোক্লখিদ্রে হায়বসি খরমখৈদি চুম্লমগনি। পূম্নমক্তু পোক্লফম ইরমদম অমদি ইফূরুপ্পু থম্মোয় শেংনা নুংশিরুবগী চৈথেংনি। মসিদা পূক্নিং শোন্থগুমসি, থম্মোয় পীকথরোইসি। নোংমৈ, থাঙ-তেন, বোমমক পায়রুদ্র’সু খূৎতা পায়রিবা কলম্না পূম্নমকপু মায়থীবা পীবা ঙম্নবগী থৌরবা ৱাখল্লোনশিং ইথোক্লমসি। হায়নবদাইনে - ‘কলম্না থাঙদগী থৌবা হেল্লি’। হিজম ইরাবত, বঙ্কিমচন্দ্র চেট্টরজি, রবিন্দ্রনাথ টেগোরগী তুং ইন্দুনা ইমা লৈবাক্কী, ফূরুপকী অঙম্বা মতেং খরতসু পাংলমসি। নুংশিদ্রনে অথৌবা পোকপী ইমানা মচাশিংগীদমক মীৎলুদা ঈরা চেন্না কনাগুম্বা অমবু ঙাইরিসে। নখোয়বুসু ওইরম্বা য়ারি পোৎনি।

ফত্তবগী হীদাক লৈতে, পুথোরক্কদবসু লৈতে। অদুমকপু ফত্তবশিংনা পীরকপা চৈথেং ময়ামদি মীনা পুবা থাংবা ঙল্লোইদবা ঙাক্তনি। খা-চীক্তুনা খাঙবা তাবনি। ফত্তবশিং লৈরবদি অফবশিংসু লৈরমগনি, থিসি অফবা, অচুম্বা কদায়দা লৈরমফম থোকই। নৎত্রদুনা তূমিন্না খঙশিন্নদনা ঐনা-ঐনা থোকপা হায়বা ৱাখল্লোন অসিনদি ইরমদমসে হান্না হান্নগী ফীভমদুদগী মশক হোংহন্দনা ঙসিগুম-হৌজিক্লুম মফম-মরাং খঙদ্রবা, য়েংলু-য়েংলুবদা অশোয়বা ঙাক্তা ঙায়রবা-চুমথোকসি হায়রসু কদাইৱাইদগী হান্না হৌগনি মফম খঙদ্রবা, লোইশিনফমসু খঙলরোইদবা - টাইটানিক্লা তপ্না-তপ্না লুপথখিবগুম্না লুপখ্রগদৌবা ইরমদমগী মরাইবক খঙদবা অইবশিংনি হায়না তুংলমচত্তা শোন্নহৌগনি। নো, মদু লমদমসিগী অইবশিংগী ইথিক্সকী ৱাংমনি। ইমা লৈবাক্কীদমক এৱার্দ কয়া হন্দোকপা ঙমখিবা/ঙমখিবী লমদমসিগী অইবশিংনি। ঙমগনি, করিগী ঙল্লোই অচুম্বগীদমক লান্থেংনবদা অইবশিংগী কলমগী মুক কৈদৌনুংদা কংবা নাইরোই। ইরকখিগনি য়েক্লববু মায়থীবা পীবা ঙমগদবা ইথিল পোকহনবা ঙম্বা - ঈশৈশিং, শৈরেংশিং, ৱারেংশিং। পূন্সিগী ঈচেল্লক্তা কাওশিং ওইনা চেন্থগদবা নত্তে, খোয়থুন্লবা নুংশিবগী মপাউ পুদুনা পূন্সি ঈপাক তমগদবনি। কাউগুমসি অইবশিংদি নীংতম্লবা নামিবা নুংশিৎনি, কনাবুসু অৱাবা পীদবা।

অনীথোকপী/অহুমথোকপীগী ৱাখল্লোন য়াওদবা অইবশিংগী ওইবা অপূনবা লূপ অমা শেম্বা মতম ওইরক্লবনি। অইবশিংগী অকনবা শাফুনা য়েক্লুবা ময়া কুমহনগদবনি। করিসু খঙদবা, করিসু হৈতবা, কোতাদা ফমজাও পায়রকপশিং - মচিন কাংথোকপা ঙমহল্লোইসি। লৈতান্না শাবা ষণবু ‘মো…’ খোংব্রনে? য়েক্লবগী মগুণ খঙদনা লান শীংনরক্লদি অখং-অরাক নংবা মশানা তাবনি। চেক্তুম চেকশিনসি লাংদা থুরবা শানিনা মনাক-নকপা লৈপুঙ-মোংশোং খরা নৈরনি। অমুক হন্না নাম্থোরক্কদবসু নত্তে। ইন্দিয়াগী শরৌ লাং মগুণ অদুম লৈবনি। থাজদনা ফূরুপ কয়াসু মখোয়গী লাংদা থুখিবদগী চঙশিনবসু য়াদ-হন্দোকপসু য়াদ মীৎনা শঙশঙ উরিবসিনি। অঙকপা হায়দুনি মশাগী হৌরকফম মশক খঙদনা হোমলেন্দগী মঙলান/সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসনগী দিমান্দ। থন্দবা চফুনা মখোল থোকই হায়দুনি। করিবু ৱাখল লীশাং থাদুনা থম্মোয় লাংতক্লহনগদগে - ৱাতোন্না ৱাংবনা ক্লাক্লা ফমদেকখিবনি। মশানা থাকচবা লাংদা মশা থুজরেদনা। মীতৈ/মৈতৈনা শুক্লান লানখিদে, পোপী থাগুমসি হায়বনি - নহা কয়া কন্ননবা, রিজার্ভ ফোরেষ্ট কনসি হায়বনি, অঙ্গৈং-অশাগী খল কায়হন্দনবা। ৱাখল য়াওদবা মীরৈহৎ মখোয়না ৱাদনা কনানা ৱারুনি। হৌজিক্তি মরলসু মাঙলে, লোৎফমসু লৈররোই - হা উরোক নমাংসু লাং, নতুংসু তেন। য়ূমদাংবনা কৈ নাইরম্বা, দেল্লীগী শরৈদা চি থুংলক্লনিদো।

সিনি পেন্দবগী চোইরোল হায়বসে, কোকসিদা খল্লরোই কয়ারক হোৎনরসু ৱাখলগা ইরিবা কলমসিগনা লানগী ইথিলদা হেক্তা পুশিনখিবা। লায়না মখল অমরা, লাইমনলা? খা চীক্তুনা তৌগদবা ইথৌদাংদি পাঙথোক্লমগে খল্লি। করিবু তম্লিগবা। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৮

১) **“ঐখোয় নুপীগী অন্দোলন”** হায়বা ৱারীমচা অসি শক্লাইরবা অইবা অমগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি। অইবা অসি কনানো অমসুং লৌথোরক্লিবা লাইরিক্কী মমিং করিনো?

২) **“পাউখুম ফংখিদ্রবা ৱাহং”** হায়রিবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো? লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৩) **“থম্বালগী লৈনম”** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

৪) **“বরাক তম্পাক্কী মরাইবক”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

৫) **“কাইনগী থৈবোং”**হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৩০, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।